# যুক্রেন ব্রাথোক্তা য়ু এস, রুসিয়া ৱারি শাননবা লেপ্লখ্রে



*কিয়েব, মার্চ ৩০ঃ* ক্রিমিয়া মীয়ামগী ওইবা রিফরেন্দম অমা পাংথোক্তুনা লৈবাক অসিবু রুসিয়াদা পুনবগী অয়াবা ফংখিবগা লোয়ননা রুসিয়ানসু ফোর্মেল ওইনা ক্রিমিয়াবু রুসিয়ান ফেদরেসনদা এনেক্স তৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক অনি অসি যুক্রেন ব্রাথোক্তা মরী লৈননা পেরিসতা ৱারি শাননবা লেপ্লখ্রে হায়রি।

রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সার্গে লাভরোবনা য়ু এসকী মহাক্কা ফম মান্নবা মীওইগা ৱারি শাননগদৌরিবা অসিগী মাংওইননা যুক্রেনবু ন্যুত্রেল অমদি ফেদরেল ওইনা লৈহন্নবা দিমান্দ শেম-শাখ্রে। ঙসি নুমিদাংদা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিগা রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা উন্নগদৌরিবা অসি হৌখিবা ইরাইদা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগা টেলিফোন্দা ৱারি শানখিবগী মতুংদা লেপনরকখিবনি।

রুসিয়ান এম্বেসেদর অসিগী লৈফমদা ৱারি শানগদৌরিবা অসিগী মমাংদা মহাক্না রুসিয়ান ষ্টেট টি ভিদা হায়খিবদা যুক্রেনগী অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা শেম্লগা লৈবাক অসিগী ফেদরেল ওইবা মশাগৎ অমা শেমগদবনি অদুগা ন্যুত্রেল ওইনসু লৈহন্নবা ৱারোল কন্সটিট্যুসন অদুদা য়াওহনগদবনি হায়না ফোংদোকখি। যুক্রেনগা রুসিয়াগা তাইনবা ঙমখৈদা লৈবাক অদুনা লান্মী মশিং য়ান্না পৈশিল্লিবা অসিগী মতাংদদি ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা যুক্রেন্দা লান্মীগী খুৎ চংশিন্নবগী অনিংবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোংদোকখ্রবনি। মোস্কো, য়ু এস অমদি ই য়ু না যুক্রেনগী কিয়েবতা লৈবাক অপুনবগী ওইবা ৱারি শানবা অমা ওইথোকহন্নবা হোৎনফম থোকই হায়বগা লোয়ননা মদুদা যুক্রেনগী খুৎলায় পায়বা হকচিনবা ব্রাখল চেনবশিংদি য়াওহল্লোইদবনি হায়নসু ফোংদোকখি।

হৌজিক যুক্রেনগী লৈঙাক শক্তি ফেসিষ্টশিংনা পায়শিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈবা রুসিয়ান লোন ঙাংবশিংগী পুন্সিদা মীপাইবা ফাওহল্লে হায়নসু ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা ফোংদোকখি। ঙরাং পাংথোকপা ইন্টর্ভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খিবদা ঐখোয়গী ঙমখৈ মনাক নক্না নাটো মিলিটরিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমত্তা লৈহল্লোই হায়বগী থাজবা পীখিবা অদু রুসিয়াদা নমথাক তৌবা ওইনা থোক্লে হায়নসু মহাক্না থমখি।

ব্রাফম অমনা দিপ্লোমেটিক ওইবা খোঙথাং অসিদি পুং অমরোম চুপ্পা হৌখিবা ইরাইদা পুটিননা ওবামাগা টেলিফোনদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা লৌখৎলকখিবনি। মথংগী নুমিৎতা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ওইবা জোন কেরি সাউদি আরাবিয়া তম্না চৎপা খোঙচৎ অমদগী খঙহৌদনা ফ্লাইট থৈদোরক্তুনা পেরিসতা ঙসিগী ৱারী অসিগীদমক থুংলখিবনি। ঙরাং রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খিবদা হৌজিক ঐখোয় ইশা ইশাগী খোঙফমশিংদা নকশিন্নরক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হ্বাইট হাউসনা থোকপা চেরোল অমদা রুসিয়ানা মসিগী লান্মী হন্দোকখ্রবা অদুগা মখা তানা যুক্রেনগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমদি সোভরেন্টিদা অকিবা পীদ্রগদি ব্রাথোক অসিগী ব্রারোইশিন পুরকপা ওইথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা ক্রিমিয়ানা যুক্রেন্দগী মনিং তম্বা অসি ব্রাশিংতন্নসু য়াগদবনি হায়না ব্লাদিমির পুটিননা ওবামাদা তকশিনখি হায়বগী থাজবসু লৈরি। য়ু এসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদি পুটিননা তশেংনমক উংখৎনবগী ফিভম হন্থহন্নবা হোৎনরিব্রা নত্রগা মিলিটরি এক্সন হেনগৎনবা থৌরাং তৌরিব্রা হায়বসিগী মতাংদা ৱাখল্লোন অনি থোক্লি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# নোর্থ কোরিয়া, জাপান অৱাংবা থাক্তা ৱারী শানখ্রে

*বৈজিং, মার্চ ৩০ঃ* চহি অমা মখাইরোমগী মতুংদা ইহান হানবা ওইনা জাপান অমদি অৱাং কোরিয়াগী গভর্নমেন্টশিংনা বৈজিংদা অৱাংবা থাক্কী ৱারী শানবা অমা হৌখ্রে হায়রি।

নুমিৎ নিনি চখ্থগদবা ৱারী অসিদা জাপাননা মরুওইনা পুথোক্কদৌরিবা ৱাফমদি অৱাং কোরিয়ানা ইং ১৯৭০ দগীনা ইং ১৯৮০ ফাওবগী চহিশিংদা ফাজিনখ্রবা মীওই ১২ রোমগী মরাইবক্কী মতাংদা ওইগনি হায়রি। লৈবাক অনি অসি দিপ্লোমেটিক ওইবা মরী অমত্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈত্রি। লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহনবা য়ানবা পান্দমদা ইং ২০১২ দা জাপান অমদি অৱাং কোরিয়ানা ৱারী মতেক অমদি শানবা হৌখিবনি। অদুবু চহি অদুগী দিসেম্বর থাদা অৱাং কোরিয়ানা রোকেট অমা লোঞ্চ তৌবদগী ৱারি অদু খাংতপ্তা তোকখিবনি। মসিগী মতুংদা থা অসিগী হৌরকপদা লৈবাক অনিনা ইনফোর্মেল ওইনা পুনখিবা অমদা ৱারি মখা চখ্থনবা য়ানখিবনি। চাইনাগী সেনয়াং সিটিদা জাপান অমদি অৱাং কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েলশিং থাসিগী হৌরকপদা উন্নখিবনি হায়নসু লীখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# কালিফোর্নিয়াদা অমুক হন্না য়ুহা হাখ্রে



*লোসএঞ্জেলিস, মার্চ ৩০ঃ* খা থংবা কালিফোর্নিয়াগী লোস এঞ্জেলিস এরিয়াগী অকোইবদা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা থোকখিবা মেগ্নিচুদ ৫.১ গী হুহা হাবা থৌদোক অমনা অমাং অতা খরা থোকহনখ্রবা মতুং অফটর সোক ১০০ রোম থোকপগী মনুংদা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা খ্বাইদগী চাওবা ওইনা মেগ্নিচুদ ৪.১ য়ৌনা য়ুহা হাবা অমা থোকখি হায়রি।

কালিফোর্নিয়াদা মীয়ামনা ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩২ চৎপদা য়ুহা হাবা অসিগী শাফু ফাওনখি হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখ্রে।

সিস্মোলোজিষ্টশিংনা হায়বদা, ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯ খরা হেল্লকপদা থোকখিবা য়ুহার হাবা অদু হেন্না চাওবা শাফু অমগী মাঙওইননা হাবা ওইরম্বা য়াবগী চাঞ্চ চাদা ৫ রোম লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোকশিং অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈতে হায়রি। ইরাই নুমিৎকী থৌদোক অদুদা ইপিসেন্টরদগী মাইল ৫ রোম চখোল্লগা লৈবা ফুল্লর টোনদা মীওই ৫০ রোম লৈফম লৈহনখিদ্রে হায়রি।

মফম অদুদা য়ুম অমদি এপার্টমেন্ট বিল্ডিং খরদা য়াম্না পীকপা চাংদা অকাই অতোই থোকখি হায়নসু ফুল্লরটোন পুলিসকী লেফটিনেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেগী জিওফিজিসিস ওইবা দফ গীভননা হায়বদা, অচৌবা অমাং অতা থোক্ত্রবসু মীয়ামনা পাক শন্না ফাওনখিবা মরমনা ইরাই নুমিৎকী য়ুহা হাবা অদু মহৌশাগা মান্নদবা অমদি ওই হায়না ফোঙদোকখি।

# চাইনাগী কোষ্ট গার্দ নাথৈদুনা ফিল্লিপিন্সকী জহাজ চেনখ্রে

*বৈজিং, মার্চ ৩০ঃ* ফিল্লিপিন্স গভর্নমেন্টকী জহাজ অমা সাউঠ চাইনা সিগী য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক্তা চৎলুবদা চাইনাগী কোষ্ট গার্দ সিপশিংনা থৎপা উবদগী নাথৈদুনা চেনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিনা য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক অসিদা চাইনানা মখোয়গী ক্লেইম কলহন্নবা কয়ামুক চেকশিন্না খোঙ থাংলিবগে হায়বদুগী খুদম ওইরে হায়না ফিল্লিপিন্স জহাজ অদুগী কেপ্তেইন ওইবা ফর্দিনান্দ গেটোনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা ঐখোয়না মমায় থৈদুনা চৎলমদ্রবদি চাইনাগী জহাজশিং অদুগা শোইদনা থেঙ্গাইনরমগনি হায়নসু গেটোনা ফোঙদোকখি।

ফিল্লিপিনগী জহাজ অদু ইং ১৯৯৯ দা য়েৎনরিবা মফম অদুৱাইদা লৈবা ইথৎ মচা অমবু মখোয়গীনি হায়বা খঙনবা খামদুনা থম্বা অচৌবা ত্রান্সপোর্ট ভেসেল অমদা মথৌ তৌরিবা মিলিটরি আউট পোষ্ট অমদা চিঞ্জাক অমদি অতৈ লান্মীশিং থিনবা চৎখিবনি হায়রি।

মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাও মতমগী মল্লবা ত্রান্সপোর্ট ভেসেল অদুদা ফিল্লিপিন লান্মী ৮ লোমনা থা অহুম অহুমগী ওইনা মথৌ তৌবনি। চাইনাগী এক্সক্লুসিব ইকোনোমিক জোন (ই ই জেদ) গী লমখৈদগী নোটিকেল মাইল ২০০ লাপথোকই হায়বা ইথৎ মচা অসিদা লান্মীশিং অদুনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লদুনা মথৌ পাঙথোক্লিবনি।

চাইনাগী কোষ্ট গার্দ সিপ অদু উরক্ত্রিঙৈ পুং ১ রোমগী মমাংদদি ফিল্লিপিনগী জহাজ অদু নুংঙাইনা চৎলম্বনি। অদুবু হেক উরকপদগী চাইনাগী জহাজ অদু য়াংনা থৌজিল্লকখি হায়নসু ফিল্লিপিন কেপ্তেইন অদুনা ফোঙদোকখি।

# ফিনিক্স থিয়েটর মৈনা তুম্না চাকখ্রে

*সসেক্স, মার্চ ৩০ঃ* ইষ্ট সসেক্সকী লিৱিজতা লৈবা ফিনিক্স থিয়েটর অমদি ষ্টুদিও কমপ্লেক্স মৈজাও হৌদুনা তুম্না চাকখ্রে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং য়াচংবদা হৌরকখিবা মৈ অদুনা লিৱিজগী নোর্ঠ ষ্ট্রিটতা লৈবা ফিনিক্স থিয়েটর অমদি ষ্টুদিও বিল্ডিং অদু তুম্না চাকখিবনি। য়াচংবা পুং ৬ লোম তাবদা মৈ অদু উরকখিবা মীয়ামনা ফয়ার সার্ভিসতা টেলিফোন ২৩ রক তৌরকখি হায়রি।

ঙরাং নুংদাংগী পুং ৯ খরা হেল্লকপদা মৈ অদু কন্ট্রোল তৌখি। অদুবু বিল্ডিং অদুদি কা হেন্না অমাং অতা থোকখ্রে হায়রি।

ফয়ার সার্ভিস ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা মৈহৌ লাংপোক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিবগী পাউ লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফিনিক্স ইন্দষ্ট্রিয়েল ইষ্টেট দা লৈবা থিয়েটর অমদি ষ্টুদিও অসিনা আর্ট অমদি মেদিয়াগা মরী লৈনবা অচৌবা প্রোজেক্টশিং অমদি থৌরমশিং অৱাংবা থাক্তা হেক হেক পাঙথোকপনি হায়রি।

# অশিবা নুপী অমা থা তরুক টি ভি য়েংদুনা লৈরম্লে

*বার্লিন, মার্চ ৩০ঃ* ময়াই থংবা জর্মনিগী এপার্টমেন্ট অমদা থোঙ লোন্দুনা লৈবা কা পুলিসশিংনা নমখায়দুনা চংলুবদা থা তরুক্কী মমাংদা শিখ্রবী নুপী অমা টি ভি মমাংদা টি ভি য়েংবগুম্না ফমদুনা লৈরম্লে হায়দুনা লীখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

মশাগী চহি ৬৬ রোম শুরবী নুপী অদু অয়ুক নুমিদাংগী ফিজোল শেৎলগা সোফা অমদা অশিবা হকচাং ওইনা ফমদুনা লৈরম্বনি। মহাক্কী মমাংদা লৈরিবা টি ভি অদুসু মমাং চহিগী সেপ্তেম্বরগী চয়োলগী টি ভি প্রোগ্রামশিং উত্তুনা অদুমক লৈরম্মী হায়নসু লীখুন অসিনা ফোংদোরক্লি।

এপার্টমেন্ট অদুগী অহানবা মথোলদা লৈবা কা অদু পুলিসশিংনা মমাং চয়োলদা থোং নমখাইদুনা চংলুবদা ফিভম অদু থেংনরকখিবনি হায়না ফ্রেঙ্কফর্তর ন্যুৱি প্রেসিগী পাউ অমদা ফোংদোরকখি। বিল্ডিং অদু মেনেজমেন্টনা নুপী অদুগী লেটর বোক্স পাথোক্তুনা লৈবদগী এপার্টমেন্ট অদুদা লৈবশিংনা চিংনবা ফোংদোরকপদগী পুলিসতা পাউ পীখিবনি। থোং অদু মনুংদা লোল্লম্বদগী পুলিসনা নমখাইদুনা চংলুবনি হায়নসু দা লেকেল পাউচেনা ফোংদোরকখি।

মতুং তারকপদা পুলিসনা এপার্টমেন্ট অদু চেকশিন্না থি-হুম্বা চখ্থবদা নুপী অদু মহৌশা নত্তবা মীশিদা শিখিবদগী খুদম অমত্তা ফংবা ঙমখিদবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা অরানবা থৌওং অমত্তা চখ্থিবা লৈতে হায়বগী থাজবা পুলিসনা ফোংদোকখি। থা তরুকলোমগী মমাংদা শীরবী নুপী অদু মচা-মশু, নক্না-চান্নবা মরী মতা নৎত্রগা মরুপ-মপাং অমত্তা লৈতবা ওইগনি হায়না পুলিসনা থাজরি। মরমদি শাংলবা মতম অসিদা মহাকপু খঙবা কনাগুম্বা অমা লাক্লম্লগদি থৌদোক অসি ঙনখৎনা খঙনরমগদবনি হায়নসু পুলিসনা ফোংদোকখ্রে।

# য়ুনাইটেদ কিংদমদা প্লেন কায়বদা মীওই ২ শীরে

*লণ্ডন, মার্চ ৩০ঃ* য়ুনাইটেদ কিংদমগী রুরেল এরিয়া অমদা লৈবা লবুক অমদা ত্রেনিংদা শীজিন্নবা এরোপ্লেন অমা কায়বদগী পাইলোট অদু য়াওনা মীওই ২ শীরে হায়না পুলিসনা ফোংদোরক্লি।

ব্লাই এ কে ৫২ হায়বা অপিকপা কা হেন্না লূমদবা এরোপ্লেন অসি ইসেক্সকী কুক্সমীন গ্রীন মনাক্কী লবুক অমদা কায়খিবনি হায়রি। থৌদোক অদু হেক থোকখিবগা ফয়ার ফাইটরশিং কৌশিনবা মতমদা এরোপ্লেন অদু মৈনা তুম্না চাক্লম্লে।

ঙসি কায়খিবা এরোপ্লেন অদু অনকপদা লৈবা নোর্থ ভ্লেল্ড এয়ারফিল মনাক্তগী পাইখৎখিবনি। শীখ্রবা মীওই অনিমক্কী খ্বায়দগী নক্নবা মরী-মতাশিংদা থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউ পীখ্রে হায়রি। শীরবা মীওই অনি অদুদি ইন্সট্রক্টর সাইমন হ্যুমে (৩৩) অমদি মহাক্কী ছাত্র ওইবা স্পেন্সর বেনেট (৪৩) নি হায়রি। ফ্লাইয়িং স্কুল অমগী নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা ফোরমেসন ফ্লাইয়িং কোর্স অমগী অরোইবা নুমিৎ ওইনা এরোপ্লেন অদু মখোয় অনি তোংদুনা পাইবদা ফিট ১৮০০ দগী তাদনা ৱাংবা নোংথক্তগী য়ুংথরকখিবনি হায়নসু বৃটিস মেডিয়ানা ফোংদোকখ্রে।

খুদক্কী ওইবা থবক লৌখৎপা ওইনা পুলিসনা চেল্মসফর্দ অমদি ওঙ্গারগী মরক্তা লৈবা এ ৪১৪ ক্লোজ তৌশিনখি। থৌদোক থোকফমদা চংশিনখিবা বিবিসিগী পাউমী অমনা হায়বদা ঐনা উবদা প্লেন অদু এ ৪১৪ গা হেক থংনবা থাউ মরূ থাবা লৌবুক অমদা য়ুংশিনখিবা ওইগনি। ঐনা থুংলুবা মতমদা প্লেন অদু তার্পোলিন অমনা থুংনা কুপশিল্লগা মনাক্তা পুলিস ওফিসার ৮ লোম লৈরম্মী। ওঙ্গারদগী সাম গিল্ডরস্লিভ হায়বা মীওই অমনা হায়বদা মরুপ মপাং খরগা লোয়ননা মহাক্না লঞ্চ চারিঙৈদা প্লেন অদু খংনেম নেমথরকপা উখি হায়রি। মতাং অদুদা ঐখোয়না য়েংবদা এরোপ্লেন অদু মথক মখা ওন্নবা হোৎনবদা ঙমদবদগী য়ৈশিনখিবগী মখোল অমা তাখি। মদুদগী অদুমক উখিদ্রে হায়না ফোংদোকখি। ঙহাক লৈরগা মায়গৈ অদোমদগী মৈখু কারকপা উবগা লোয়ননা প্লেন অদু কাইরে হায়বা খঙখি হায়নসু সামনা মখা তারকখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা এয়ার এক্সিদেন্ট ইনবেষ্টিগেসন ব্রাঞ্চনা টিম অমা থৌদোক থোকফমদা থাজিনখ্রে হায়রি।

# থাইলেন্দদা সিনেটকী মীখল পাঙথোকখ্রে



*বেঙ্কোক, মার্চ ৩০ঃ* থাইলেন্দদা অচৌবা মাঙজবা অমা থোকহনখিবা রাইস সবসিদি স্কিম চখ্থবদা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানা মথৌ থৌশাখিদে হায়বা মরাল অমা মায়োক্লবদগী মশাবু ঙাকথোকচনবা থাখিবা মতম নোংমা ৱাৎলিঙৈদা লৈবাক অসিগী সিট ১৫০ লৈবা সিনেটকী তঙ্খাই অমরোমগী মীখল পাঙথোক্তুনা থাইলেন্দ মচাশিংনা ভোট থাদনখ্রে।

গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱাকৎপশিংসু য়িংলুকপু নমদুনা মফমদগী চিংথনবা হৌরকখিবা থা ৫ রোম শুরবা ৱাকৎ ঈহৌ মখা চখ্থরি। মাঙনিংঙাই ওইরবা চেংগী স্কিম অদুগী মতাংদা লৈঙাক লুচিংবী অসিগী মথক্তা ওপোনেন্টশিংনদি ইম্পিচমেন্ট চার্জশিং পুখৎপা পাম্লিবনি।

চৈরক অসিদা গভর্নমেন্টপু য়াদবা পোলিটিসিয়ানশিংনা সিনেটকী সিট মশিং হেন্না পায়রবদি য়িংলুকপু মফমদগী লৌথোকপগী নুমিৎ হেন্না নকশিলহনগনি হায়নসু ওপোজিসনশিংনা কন্না থাজরি।

সিট ১৫০ লৈবা সিনেট অসি মীখলদা কাবা সিনেটরশিংনা সিট ৭৭ কনবনি। অদুগা অতোপ্পা সিট ৭৩ না গভর্নমেন্টনা অপাম্বা মীওইশিং হাপ্পনি। গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা ফোর্সশিংনদি য়িংলুকপু য়াদবশিংনা অয়াম্বা ওইবা সিনেট অমা ওইহনবা পাম্লি।

অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুকনা মথৌদা থৌশাখিদে হায়বগী মরালদা মশাবু ঙাকথোকচনবা নেস্নেল এন্টি করপসন কম্মিসন (এন এ সি সি) দা হয়েং মশা লাকপা তারি।

হৌখ্রবা ফেব্রুৱারী অনিদা ওপোজিসননা য়াদনা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন অদুগী রিজল্ট কোর্টনা চৎনহন্দনবা লাউথোকখ্রবা মতুংদা ৱাকৎলোইশিংনদি লৈবাক অসিদা জেনরেল ইলেক্সন অমত্তা পাঙথোকপা য়াহন্দনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরি। ইলেক্সন ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদসু অনৌবা মীখল অমা শিল লাংবদা য়ামদ্রবদা থা অহুম চংগনি। অদুবু মীখল অদুসু ফজবা অমদি ওইগনি থাজদে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরি।

# বর্মা সেন্সসতা রোহিংয়া কাংলুপ্পু রেজিষ্টর তৌখিদ্রে



*য়াঙ্গোন, মার্চ ৩০ঃ* চহি ৩০ রোমগী মতুংদা অহানবা ওইনা বর্মিজ ওফিসিয়েলশিংনা লৈবাক্কী ওইবা মীকোক থিবা হৌখ্রে হায়বগা লোয়ননা রোহিংয়া কাংলুপকী মীওইশিংবু রোহিংয়া হায়না রেজিষ্টর তৌবদা অথিংবা থমখ্রে। হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

সেন্সস অসি ওইথোকহন্নবা হোৎনবদা য়ু এননা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি। য়ু এনন বর্মা মচা পুম্নমকপু মশা মশাগী পামজবা কাংলুপকী মনুংদা চঙবা য়াহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি। অদুবু ওফিসিয়েলশিংনদি মুস্লিম রোহিংয়াশিংবু মশানা বেঙ্গলি কাংলুপতা চনগদবনি। নত্রগদি রেজিষ্টর তৌবা য়াহল্লোই হায়না অথিংবা থমখিবনি। বর্মা হায়নসু খঙনবা ম্যান্মারগী গভর্নমেন্টনা রোহিংয়াশিংবু য়ুমদাংলবা ওইনা মশক খঙবগা লোয়ননা মখোয়দা সিটিজেন্সিপ পীদবনি। অদুবু রোহিংয়াশিংনদি মশাবু ম্যান্মার মচাশিংনি হায়না লৌজরিবনি। অমরোমদা ম্যান্মারগী মেজোরিটি ওইরিবা বুদ্ধিষ্টশিংনা রোহিংয়াশিংবু মহৌশাদগী হৌনা তাথিরকপগা লোয়ননা ইং ২০১২ দদি রাখিনে ষ্টেটতা কাংলুপ অনি অসিগী মরক্তা পাক চাওনা ভাইওলেন্স থৌদোক থোকপদগী রোহিংয়া লিশিং কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখিবনি।

হন্দক চখ্থরিবা মীকোক থিবা অসিদা বর্মা মচা পুম্নমক্তা অকুপ্পা ৱাহংশিং হংদুনা মশাগী লাইনিং অমদি শক্তমগী মতাংদা অরোপ্পা অমা লৌনবা হোৎনরি। মরকসিদা রাখিনে ষ্টেটতা ভাইওলেন্সকী থৌদোক মচা মচা থোকপগা লোয়ননা মমাং চয়োলদসু রোহিংয়াশিংদা এটেক চখ্থখিবনি।

য়ু এননদি রোহিংয়াশিং অসি মালেমদা খ্বাইদগী তোন্না লৈরবা মাইনোরিটি কাংলুপনি হায়না শীংথারি। মীকোক থিবা অসিদা করিগুম্বা রোহিংয়াশিংবু তোপ তোপ্পা কাংলুপ অমা ওইনা শকখঙবা তারবদি অয়াম্বা বুদ্ধিষ্টশিংনা রাখিনে ষ্টেটতা মীকোক থিবা অসিবু বোয়কোট তৌগনি হায়না মায়গৈ খরদগী ঙাংনখিবসু লৈরি।

গভর্নমেন্ট ৱাঙাংলোই য়ে হিতুদনা হন্দক্কী মীকোক থিবা অসিগা মরী লৈননা হায়খিবদা কনাগুম্বা য়ুমথোং অমনা মশাবু রোহিংয়াগী ইমুংনি হায়না শক্তাকপা পাম্লবদি ঐখোয়না রেজিষ্টার তৌরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মীকোক থিবা অসিদা শরুক য়ারিবা ওফিসিয়েলশিংনসু বর্মা মচা পুম্নমক্তা মশাগী লাইনিং অমদি জাতি কাংলুপকা মরী লৈনবা য়াম্না কুপথবা ৱাহংশিং হংই হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

Creative Circle
POROMPAT
A special technical course for
SECTION OFFICER's{S.O.}
Civil = 119 Posts | Electrical = 127 Posts | IT = 36 Posts
Departments: PWD, PHED, POWER, MINOR IRRIGATION & IFCD of Manipur.
ONLY 30 STUDENTS PER BATCH......
Stream's Available: Civil, Electical & IT.
Timings: (6:30AM to 9:00 AM)
Class commencing from 10th March 2014.
Contact: POROMPAT, OPP. JNIMS GATE, ABOVE AXIS BANK, IMPHAL EAST. 85750 50815.
SI/C-28-31 March

